# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
### (DATE 16-01-2025)
## অকাশবানি ইম্ফালগী
## অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ
## (তাং ১৬-০১-২০২৫, শগোলশেন)

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না রাজ্য অসিদা অনা লায়েংগী খুদোংচাবশিং পীরিবা হোস্পিতালশিংগী মীহুৎশিংগা উন্নদুনা অনা লায়েংগী ফিভম ফগৎহন্নবা খন্নখ্রে।

এসোসিয়েসন ওফ হেলথ কেয়ার প্রোভাইদরস ইন্দিয়া, মণিপুর চেপ্তুরগী মীহুৎশিংগা ইম্ফালদা লৈবা মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা ঙরাং মুখ্য মন্ত্রিগা উন্নদুনা হিরম অসিগী মতাংদা ৱারী শান্নখি। ৱারী শান্নবা অদুদা মণিপুরগী মশক নাইবা হোস্পিতালশিংগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি। মণিপুরদা অনা লায়েংগী ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনবদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংসু মীফম অদুনা খন্ন-নৈনখি। শিংনবা কয়া লৈরবসু মীয়ামদা অনা লায়েংগী খুদোংচাবা নিংথিনা ফংহন্নবা হোৎনবদা মখোয়না লৌরিবা থৌদাংশিংবু মুখ্য মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

**এআর (এল)ঃ** লান্মীগী নুমিৎকা মরী লৈননা ১৬ শুবা অসাম রাইফলস, ২২ শুবা, ২৭ শুবা অমসুং ৩৬ শুবা অসাম রাইফলস য়ুনিটতা চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ য়ুনিট সাইটেসন মনা খুৎশিন্নখ্রে। য়ুনিত মরি অসি লালহৌবগী ইরাং লৈরিবা নাগালেন্দ অমসুং মণিপুরদা মথৌ তৌরি। য়ূনিট সাইতেসন মনা অসি চহি খুদিংগী খনগৎলবা আর্মি অমসুং অসাম রাইফলস য়ুনিটতা মখোয়না শিংথানিঙাই ওইনা তৌবা থবক্কীদমক পীবনি।

অমরোমদা, মণিপুরদা থোকখিবা ঈশিং ঈচাউদা ৩৩ শুবা অসাম রাইফলসনা লৌখিবা থৌদাংবু শক খঙবা ওইনা ৱার্ল্ড কংগ্রেস ওন দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট- দিজাষ্টর রিক্স রিদক্সন এৱার্দ ২০২৪ পীরক্লে হায়রি।

নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা মনা অসি কেন্দ্রগী কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি মন্ত্রি পিয়ুস গোয়লনা ৩৩ শুবা অসাম রাইফলসকী কম্মান্দেন্ট কর্নেল রাধাকৃষ্ণদা খুৎশিন্নরকপনি হায়রি।

**ককচিং (এল)ঃ** লৌ লোকবা মতুংদা লৌবুকশিংদা মনা মশিং, হেঞ্জাং নাপী থাবনা লৌফম অদুগী লৈবাক লৈহাও চেলহনবতা নত্তনা লৌমীশিংগী শেন্থোক হেনগৎহল্লি। রাজ্য অসিগী লৌফমশিংদা লৌ লোক্লবা মতুংদা মতম শাংনা শিজিন্নদনা হাংহনদুনা থম্বগী মহুৎতা হোৎনবা কনবা লৌমীশিংনা অতোপ্পা পাম্বীশিং থাবগী থবক তপা তপা হেনগৎলক্লি। মণিপুরগী ওইনা হেঞ্জাং নাপী, মনা মশিং পুথোক্লিবা জিলাশিংগী মনুংদা ককচিং জিলাসু অমনি। জিলা অসিগী লৌফম কয়াদা কুম্বি কালেন নাইদনা হেঞ্জাং নাপী থাবগী থবক তৌদুনা মীয়ামদা মতম মতমগী ওইবা হেঞ্জাং নাপীশিং ফংহনবদা চাডনা মতেং ওইরি। হিরম অসিগী মতাংদা ঐখোয়গী ককচিং পাউমীগী পাউদম অমা--

**--সাউন্দ বাইট--ভাবেশ্বর**

**টিবি (এল)ঃ** নেসনেল টি.বি. ইলিমিনেসন প্রোগ্রামগী মখাদা নুমিৎ ১০০ নি চুপা চথরকপা কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা টি.বিনা নারবা মীওই ৪২ দা ন্যুত্রিসনেল সপ্পোর্ট ওইনা চান-থকবা চীঞ্জাকশিং য়েন্থোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবাল অমসুং নেসনেল টি.বি. ইলিমিনেসন প্রোগ্রাম থৌবাল যুনিতনা শিন্দুনা জিলা অসিগী দি.সি. ওফিসতা লৈবা কনফরেন্স হোলদা ঙরাং পাঙথোকপা থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অহন্থেম শুবাসনা হায়-

**--সাউন্দ বাইট--শুবাস**

**ফেজোল (এল)ঃ** ফেজোল জিলাগী জোনেল ইজ্‌কেসন ওফিস, সমগ্রহ্ শিক্ষানা শিন্দুনা জিলা অসিগী ওইবা স্কুল মেনেজমেন্ট কমিতিগী দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙরাং আই.বি. রোদতা লৈবা সাইনোট হোলদা পাঙথোকখ্রে। তোঙান তোঙানবা স্কুলদগী লাকপা হেদ মাষ্টর অমদি হেদ মিষ্ট্রেস ৬০ রোমা শরুক য়াখি। স্কুল মেনেজমেন্ট অমদি স্কুল মেনেজমেন্ট কমিতিগী থবক থৌরমশিংগী মতাংদা রিছোর্স পার্সনশিংনা ৱা ঙাংখি।

**এক্সিদেন্ট (এল)ঃ** মোটবুংদগী চুরাচান্দপুর তমা চৎপগী লম্বীদা বোলেরো পিকঅফ অমা নেসনেল হাইৱে-৩৭ কী এম.এস-থার্তি আইট মনাক্তা লোকখাদা তাশিনবদা মীওই অনি শোক্লে। শোক্লবা মীওই অমগী ফিভম লুনা লৈ হায়রি। অশোকপা মীওই অনি অদু সি.আর.পি.এফকী কাংবু অমনা লৌখৎতুনা মতেং পাংলবা মতুংদা লৈমাখোংগী আর্মি কেম্পতা লৈবা হোস্পিতালদা পুখৎতুনা লায়েংলি হায়রি।

**মোদি ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারত অসি মেজর মারিটাইম পৱার ওইরকবগী লম্বীদা খোঙজেল য়াংনা চংশিল্লক্লি।
মুম্বাইগী নেভেল দোকয়ার্দতা ঙরাং নেভিগী লানগী জহাজ অহুম- আই.এন.এস শুরত, আই.এন.এস নিলগিরি অমসুং আই.এন.এস ভাগসির কম্মিসন তৌবগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- খোঙথাং অসিনা ভারতনা সমুদ্রগী লমদা থোইদোক হেন্দোকপা শক্তি লৈবা লৈবাক অমা ওইরকবা হোৎনবদা চাউনা মতেং পাংলগনি। লানগী জহাজ অহুম্মক লৈবাক অসিদা ফংবা মচাক মথুমতনা শাজবা অসিমক য়ামা চাউথোকচনিঙাইনি হায়রদুনা প্রধান মন্ত্রিনা মরী লৈনবা খুদিংমকপু থাগৎপা ফোংদোকখি। মহাকা হায়- ভারত অসি ভারত মহাসাগর লমদমদা থৌদোক অমা থোরকপা মতমদা খ্বাইদগী হান্না থৌদাং

লৌবা ঙম্বা লৈবাক অমা ওইরক্লি। হৌখিবা মতম খরদা ভারত নেভিনা মীওই চা কয়াগী কনখিবা অমসুং কারগো সিপশিংদা পুরকপা লুপা কোতি কয়ামরুমগী মাল চাংশিং কনখিবগী থৌদোকশিং লৈখ্রে। মসিনা ভারত নেভি অমসুং কোষ্ট গার্দতা মালেমগী মীয়ামা থাজবগী মীৎয়েং থম্বা হেনগৎলক্লি।

--পাউ লোইজরে--

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

গুৱাহাতি-কোলকাতা অমদি দিমাপুর পাইগদবা এল্লায়েন্স ইয়ারগী অনৌবা ফ্লাইট সার্ভিস হৌখ্রে হায়না পোকফম পাউচেদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

লানগী ৱারোইশিন পুরকবা মীয়ামা মীৎয়েং পুমমক থল্লিবা গভর্নরনা প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুগা উন্নখ্রে হায়না হুইয়েন লানপাউদা অনিসুবা হেদলাইন ওইনা ফোংলি। পাউ অসিগী মখাদা সবহেদলাইন ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং হোম মিনিষ্টর অমিত সাহ য়াওনা মকোক থোংবা লুচিংবশিং উন্নরম্লগা জনুৱারি ১৯ নত্রগা ২০ হল্লক্লগনি হায়না ফোংলি।

মসিগা মান্নবা পাউ অমা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- গভর্নর ভল্লা প্রসিদেন্ট অমদি ভাইস প্রসিদেন্ট উন্নখ্রে, মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যারসকী ওফিসিয়েলশিং উন্ননবা কুকিগী মীহুৎশিং দিল্লিদা য়ৌরক শাখ্রে হায়না হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মণিপুরগী লাই হরাউবা য়ুনেস্কো ইন্টেঞ্জিবল কলচরেল হেরিতেজ ওফ হ্যুমেনিতিগী লিষ্টতা য়াওহন্নবা সঙ্গিত নাটক একাদমিদা অইবা চেরোল থাখ্রে হায়বা চীফ মিনিষ্টর বিরেনগী ৱাফমনা মণিপুর নিউজদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

কুকি মিলিটেন্টশিংগী দ্রোন বোম্বিং লেপ্পা লৈতে, হন্দকা মণিপুর রাইফলসতা টার্গেট তৌরকখি হায়না শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা- সুগী ফাইনান্সিয়েল এসিস্টেন্স ফংলবসু কুকি মিলিটেন্টশিংনা নিয়ম লান্না য়াল্লবা শেনফম কয়া খোমগৎলি হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মিজোরমগী ইথনিক গ্রুপ জোরোনা সেন্তরদা ফ্রি মুভমেন্ট রেজিম অমুক হন্না চৎনহন্নবা তকশিনখ্রে হায়না মোর্নিং বেলদা মরুওইবা পাড ওইনা ফোংলি।

সেনাপতিদা একর মঙাদা থারম্বা পোপি পাম্বী য়াম্থৎখ্রে হায়না শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

অশংবা লফোই হিদাক্তা তিংলগা য়োনবগী ভিদিও ক্লিপ অমা ভাইরেল ওইরে। কৈথেলদা লফোই মুলহন্নবা শিজিন্নরম্বা হিদাক মখল অমা ফুড সেফতিগী টিমা ফারে হায়না সনালৈবাক পাউচেদো অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

বিষ্ণুপুরদা নেসনেল রোড সেফতি মন্থ হৌদোকখ্রে হায়না মণিপুর মেলদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

রিপাব্লিক ডে থৌরম পাঙথোকবা সেনাপতি জিলাগী ওইবা দি.এল.ওশিংগী মীফম পাঙথোকখ্রে হায়না হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মণিপুর এইদস কন্ট্রোল সোসাইতিগা খুৎশমদুনা শিজ হোস্পিতালদা এ.আর.টি সেন্তর অমা হাংদোকখ্রে হায়না পিপলস ক্রোনিকলগী এনকর কলমদা ফোংলি।

অৱাৎপা ডোক্তর থারকবা হায়নরিঙৈদা ডোক্তর অমা অমুক ট্রান্সফর তৌখিবদগী ৱাংঙু পি.ঐচ.সি শো লোনশিনখ্রে হায়না ঈচেল এক্সপ্রেসতা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

গানফিউ মেলদা লিয়াংমৈগী খুঞ্জাশিংদা ফুরকখিবগী থৌদোকপু নাগা ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসনশিংনা নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি হায়না মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ভাইএবিলিতি গেপ ফন্দিং স্কিমগী মখাদা মণিপুরগা অতৈ ষ্টেটশিংগা চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচানবা অহেনবা ফ্লাইট সার্ভিস হৌদোকখ্রে হায়না তমেংলোং টাইমসতা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।